# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 04-10-2025)**

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফম কয়াদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুন্থবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-অককবা পাউশিং ফংবদগী কোম্বিং ওপরেসন অমসুং থিবা হুন্থবগী থবকশিং চত্থবদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমসুং আইননা য়াদবা থবকশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎপা লেপত্রি। মনিপুর পুলিসনা ঙরাং শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নিংঙোম্থম লমখায়দগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মশানা মশাবু কোরপোরেলনি হায়জবা মীওই অমা ফারে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা, থৌবাল ৱাংখেম মমাং লৈকাই অমসুং থৌবাল ৱাংখেম বজারদা লৈবা ময়ুমশিংদগী কে.সি.পি. (অপুনবা) গী মীওই অনি ঙরাং মনিপুর পুলিসনা ফারে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিগী চিংঙাংবম লৈরক্তগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফারে। মহাক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমসুং নুপীগা মরী লৈনবা থৌদোক ৱাথোকশিংগা মরী লৈনবা কেসশিং য়াশিন্নবা পুরকবা হোৎনবনচিংবা থবকশিংদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী সোমকোত ভিলেজ এরিয়াদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়ু.কে.এন.এগী মীওই মঙা ফারে। মখোয়দগী এম সভেন্টি নাইন গ্রেনেদ লোঞ্চর অমা, বোম অহুম, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অনি, রেদিও সেট ৮, জঙ্গল সু ৮, পোপী পান্থীগী মরু কিলোগ্রাম অহুম অমসুং মোবাইল ফোন অহুম ফংলে হায়রি।

মরক অসিদা, য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থমাপোকপী খুলদগী কাংপোকপী জিলাগী তুইনোমজাং ভিলেজরোমদা মাংখিবা সোইয়াম

সনায়াম্বা থোমাস কৌবা মীওই অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অশোয় অঙাম য়াওদনা কল্লবা মতুংদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নখ্রে হায়রি।

**আইএসবিটি (এল)ঃ** রাজ্যগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ট্রান্সপোর্ট এন্দ টি.সি.আই) ওইরিবা অনুরাগ ভাজপায়না ঙরাং ইম্ফালগী ইন্টর ষ্টেট বস টর্মিনেলদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা শ্রী ভাজপায়না বস টর্মিনেল অসিগী হৌজিক লৈরল্লিবা ফিভম অদুদা নুংঙাইতবা ফোংদোকখ্রে। মফম অদুদা মথৌ তাবা চৎন-কাঙলোনশিং য়াওদনা মপু পান্দবগুমা গাড়িশিং খামনিংবা মওংদা খামদুনা লৈরমখি। বস টর্মিনেল অসিগী শরুক খরা দিপার্টমেন্ট ওফ টেক্সেস, ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসার, সিরিকলচর দিপার্টমেন্ট অমসুং সি.এফ.পি.এফকী কাংবুশিং লৈশিল্লি।

খোঙচৎ অদুদা শ্রী ভাজপায়না হায়-সরকারগী ফেসিলিটিশিংদা দ্রাইভরশিংনা চাক থোংবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা শিজিন্নবা অসি য়াদে। মহাকা ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসারগী ওফিসতসু চংদুনা দ্রাইভিং লাইসেন্স পীবা, টেক্স থিবা, পার্মিট পীবা অমদি গাড়িগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবনচিংবগী থবকশিংসু য়েংশিনখি। মোনিটরিং টিম অনি শেমদুনা বস টর্মিনেল অসি য়েংশিনবগী থবক চথনবসু মহাকা ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসারদা পাউতাক পীখি।

খোঙচৎ অদুদা ট্রান্সপোর্টকী দিরেক্তর-খুমন্থেম দাইনা য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং লোয়নখি।

**নিংথৌ(এল)ঃ** মনিপুরগী নিংথৌ অমসুং রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ সনাজাউবা লৈশেম্বনা হায়রি-মনিপুর অসি চহি লিশিং ৫ হেনবগী সভ্যাতাগা শগোন্নদুনা লাক্লিবা মালেমগী অরিবা লমদমশিংগী মনুংদা অমনি।

ৱারোল অমদা মহারাজ সনাজাউবা লৈশেম্বনা হায়-শগোল কাংজৈ অসি মনিপুরদগী হৌদোকখিবনি হায়বসি মালেমগী মীয়ামনা থোইদোকা খঙনরে। মনিপুরদা খৃষ্টতনা পোক্কদবা মমাং চহি লিশিং ৩,১০০ গী মতমদগী শগোল কাংজৈ শান্নবা হৌরকখ্রে। খৃষ্টতনা পোকখ্রবা মতুংদা হৌজিক ফাওবগী চহি ২০২৫ অসিগা খৃষ্টতানা পোক্ত্রিঙৈ মমাংগী চহি লিশিং ৩,১০০ গা পুনশিন্নরবদি চহি লিশিং ৫,১২৫ শুরে হায়না মহারাজ সনাজাউবা লৈশেম্বনা মচা খায়না ফোংদোক্লি।

**কেম্প(এল)ঃ** ভারত লান্মীগী কাংবু অমনা কাংপোকপী জিলাগী দোংশুম ভিলেজতা ঙরাং লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা মীওই ১০০ হেনবদা লায়েংবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকশিং লেমা য়েন্থোকখি হায়রি।

**ইন্দিয়াঃ** ভারতনা হায়রি-পাকিস্তাননা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা পাকিস্তান ওকুপাইদ জম্মু কাশ্মিরদা মীওইবগী হকপু শিংনবা হিংশাগী থবক চথ্থরবদি মদুগী দায়ত্ব পাকিস্তাননা পুগদবনি।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী মচিন চৎপা মীশক-রনধির জেসৱালনা হায়-পাকিস্তাননা খুদুম চল্লিবা জম্মু কাশ্মিরগী শরুক্তা পাকিস্তান লান্মীশিংনা মরাল লৈজদ্রবা মীচমশিংদা ফু-চৈবা য়াওনা হিংশাগী থবক কয়া লেপ্তুনা চথ্থরে হায়বগী পাউ ফংলে। অসিগুম্বা থৌওং অসি পাকিস্তাননা টেরোরিজম য়োকখৎতুনা শান্তি থুগায়নবা হোৎনবনি হায়বসি ন্যু দিল্লিনা নীংথিনা খঙই। অসিগুম্বা থবকশিং অসি পাকিস্তাননা মখা তানা চথ্থরবদি ন্যু দিল্লিনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই।

ভারত লান্মীগী মকোক-ওপেন্দ্র দ্বিবেদিনসু পাকিস্তানদা চেকশিন ৱা ফোংদোক্লদুনা হায়-পাকিস্তাননা নৌনা শিংনবগী থৌওংশিং চথ্থরকপদগী ভারতনা মতিক চাবা পাউখুম শোয়দনা পীগনি। রাজস্থানগী শ্রীগঙ্গানাগর মনাক্তা

লৈবা ঙমখৈ খুঙ্গং অমদা লৈবা ভারত লান্মীগী পোষ্ট অমদা লান্মীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী দ্বিবেদিনা হায়-ওপরেসন সিন্ধুরগী চাউনা মায় পাকপা অমা হায়বা তারবদি পাকিস্তানদা লৈবা টেরোরিষ্ট গ্রুপশিংনা শিজিন্নবা মরুওইবা মফম ৯ থুগায়দুনা অমাং অতা থোকহনখিবা অসিনি। ওপরেসন সিন্ধুর হায়বদি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মশামকা থোনখিবা মমিংনি। মসিগী নুঙগী ওইবা ৱাহন্থোক কয়া লৈ।

থৌরম অদুদা লান্মীগী মকোক অসিনা ওপরেসন সিন্ধুরদা য়াওখিবা ওফিসার অহুম অমদি অতৈ জৱানশিংদা থোইদোক হেন্দোকপা থৌদাংশিং পাঙথোকপগীদমক ইকায় খুমবা উৎখি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হরিয়ানাগী কুরুক্ষেত্রদা লুপা কোতি ৮২৫ রোমগী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট খরগী উরেপ উয়ুং খরগীনা াঙ্গাখ্রে। উরেপ উয়ুং তমখিবা প্রোজেক্ট ১১ গী মনুংদা নর্সিং কলেজ মঙা অমসুং পুলিসশিংগী লৈফম শানবা য়াওরি।

শঙ্গাখিবা পেদিয়াত্রিক রেস হাউস অমা অমসুং ফমুং ৩০০ লৈবা সব-দিভিজনেল হোস্পিতাল য়াওরি।

থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-নায়ব সিংহ, এম.পি. নদিম জিন্দাল অমসুং অতৈ মন্ত্রি কয়া শরুক য়াখি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা হায়-হরিয়ানা সরকারনা হেন্না ফবা লৈঙাক সাসন অমা পুরকবগী মায়কৈদা থম্মোয় শেংনা থবক তৌগদবনি। কুরুক্ষেত্রদা অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুমগী মতাংদা পাঙথোকপা রাজ্য থাক্কী মেলা অমসু গৃহ মন্ত্রিনা হৌদোকখি।

**মনশুখঃ** কেন্দ্রগী লেবর মন্ত্রি-ডা: মনশুখ মন্দাভিয়ানা কোলালামপুরদা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড সোসিএল সেক্যুরিতি সমিট য়াওবা চৎপদা ইন্টরনেসনেল সোসিএল সেক্যুরিতি এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট অমসুং মালেসিয়া অমদি

উগান্দাগী মীহুৎ কাংবুশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

ৱারী শান্নবা অদুদা ভারত অমসুং লৈবাকশিং অদুগী মরক্তা লৈরিবা শিন্মীশিংগী হৈ শিংবা অমসুং মখোয়না খুন্নাইগী শেন্মীৎলোনদা লৌরিবা থৌদাংশিংবু পুথোক্তুনা খন্ন-নৈনখি। য়ামা অতেনবা মতমগী মনুংদা ভারত্তা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক কয়া পায়খৎতুনা মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা লৌরিবা থৌদাংশিংবু ইন্টরনেসনেল সোসিএল সেক্যুরিতি এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

ডা: মন্দাভিয়ানা মালেসিয়াদা লৈরিবা ভারত মচাশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

মমা মচা য়াওনা মরি হাৎপদা চেন্নবা য়ু.কে.এন.এগী কাডর তরুক ফারে, মনিপুর এসেমব্লি স্কেমগা মরী লৈননা মীয়াম অমদি এম.এল.এশিংদা অমুবা কালি তৈশিনবনি হায়বা ভেটরান পোলিটিসিয়ান ও. জয়গী ৱাফম অমসুং গভরমেন্ট শেম্বগী তকশিল্লুনবা বি.জে.পিগী এম.এল.এশিং দিল্লিদা পাইশিন্নখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-মপা-মচা য়াওনা মী মরি হাৎপদা চেন্নবা অমসু ফাখ্রে, তমথিবা মীহাৎ অদুদা চেন্নবদগী ফাগৎখিবা অনি শুখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, সনা লৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং হুইয়েন লানপাউদস্ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

অসাম-নাগালেন্দ বোর্ডরদা লমগী য়ান্নদবা, অসামগী য়ুম ময়াম মৈ থাখ্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর এসেমব্লি স্কেমগা মরী লৈননা মীয়াম অমদি এম.এল.এশিংদা অমুবা কালি তৈশিনবনি হায়বা ভেটরিয়ান পোলিটিসিয়ান-ও. জয়গী ৱাফম সনা লৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-নহারোলগী থৌদাং, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং মনিপুর মেলদসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

কোটুনা শিনদুনা ২৯ শুবা সেপরেসন ডে পাঙথোকখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিহিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস অমসুং গানফিয়ু মেলদসু অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি।

পোকফমদা-গভরমেন্ট শেম্বগী তকশিল্লুনবা বি.জে.পিগী এম.এল.এশিং দিল্লিদা পায়শিনখ্রে, এক্স সি.এম. এন. বিরেন, গোবিন্দাস কোন্থৌজম, ডা: সাপম রঞ্জন, হৈখাম দিংগো ঙসি চংখ্রগনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরনা ভারতকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী দ্রগ লল্লোনবশিং পুকিং চিংশিনবা ওইরক্কি হায়না পিপলস ক্রোনিকলকী অহনাবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-সর্ভে চথুরবা মতুংদা পাউনা অমসুং থঙ্গাল কৈথেলগী এনক্রোচরশিং তকথোকপা অমুক হৌরে হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-মিরাবাই চনুনা লুপাগী তকমান লৌরকপগী পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি। সেনাপতি জিলাদা ইন্টর স্কুল অমসুং কলেজ সাইন্স ইগজিবিসন পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।